


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, JULY 21, 2018 PAGE 7




*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব লিভরপুলদা রেকোর্দ ওইনা য়ুরো মিলিয়ন ৬৫ দা ইটালিগী ক্লব রোমাদগী সাইন তৌরকখ্রবা মশাগী চহী ২৫ শুরবা ব্রাজিলগী শান্নরোই এলিসন*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা কুমজা ২০২৩ ফাওবা মখা তানা সাইন তৌখ্রবা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই মশাগী চহী ২৬ শুরবা সোন হিয়ুন মিন*

## লক্ষ্য সেননা লি সিফেংবু মায়থিবা পীদুনা এসিয়া জুনিয়র বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*জাকর্টা, জুলাই ২০ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং জাকর্টাদা পাঙথোক্লিবা এসিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা চাইনাগী লি সিফেংবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা অনীশুবা গেম অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা মঙোন্দগী থাক ৱাংনা লৈরিবা চাইনাগী লি সিফেংবু ২১–১২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ইখসান লিওনার্দোগা লম্বা তৌনরগনি।



*ইন্দিয়াগী জুনিয়র বেদমিন্টন শান্নরোই লক্ষ্য সেন*

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা থাইলেন্দগী শান্নরোই সারান জামসিরিবু ২১–১৫, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অলবার্টো অলভিন য়ুলিয়ান্টোবু য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ২১–১৯, ২১–১৯ দা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই প্রিয়ান্সু রাজাৱট মালেসিয়াগী ১৫শুবা সিদেদ শান্নরোই মালেসিয়াগী ঝে য়োং এনজিগী মখূত্তা ১৫–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌবদগী মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী পেয়র মঞ্জিত সিংহ অমসুং দিংকো সিংহ ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী দি জিজিয়ান অমসুং ৱাং চাংগী মখূত্তা ৭–২১, ১৫–২১ দা মায়থিহৌবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

## ইন্দিয়ানা ৱুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপকী অহৌবা মেটচ ইংলেন্দগা শান্নরগনি

*লন্দন, জুলাই ২০ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা থা অসিগী ২১ দগী হৌগদৌরিবা ৱুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ইংলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়ানা পুল 'বি' দা ৱার্ল্ড নম্বর ১৬ আয়রলেন্দগা থা অসিগী ২৬ তা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি। মসিগী মতুং ৱার্ল্ড নম্বর ৭ দা লৈরিবা য়ুএসএগা জুলাই ২৯ দা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী গ্রুপ ষ্টেজ দা ইংলেন্দবু মায়থিবা পীরম্বা অদু মখা তানা থা অসিগী ২১ দা শান্নগদৌরিবা অহৌবা মেটচ অসিদসু হোৎনগনি হায়না টিম অসিগী কেপ্টেন রানি রামপালনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১০ দা আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম অসি ৯শুবা পোজিসন তাহৌবনি। হৌখিবা চহী ২ রোম অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হোৎনখিবা অসিনা মরম ওইরগা টিম অসি ৱার্ল্ড নম্বর ১০ দা হাইগৎপা ঙমখি।

## লোইশিনখ্রবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া

### এল. কালা, উরিপোক

থা অমা চুপ্পা মলেমগী মফম খুদিংদা পুংলাং লাংলম্বা পুমনিল নিলম্বা পুমচিক চীকখ্রে পৃথিবীদা লৈরিবা মীওইবগী চাদা ৮০ না খ্বাইদগী পাম্না য়েংনবা খোইদাজবা কুম্মৈ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়ানা লোইখ্রবা মতুংদগী তপ্না তপ্না। মমাঙথক্তা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ কয়াদগী খ্বাইদগী হেল্লে ফজরে হায়বা কয়া লৈশি লৈথোল্লবা রুশিয়া ফিফা ৱাল্ড কপ য়ুম্বু ওইরিবা রুশিয়া অকনবা ঙাকশেন্দুনা তেক্তা কাইদনা মপুং ফানা পাঙথোকপগী চাওথোকচরিবগী মথক্তা য়ুম্বু লৈবাক রুশিয়া অঙম্বা থাক্তা শান্নদুনা অমুক্তা ওইখিদ্রবা মওংদা গ্রুপ ষ্টেজদগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফাইনেল শান্নখিবা লৈবাক ক্রোএসিয়াগা অপীবা মতম (এক্সত্রা টাইম য়াওরগা) দা গোল অনী–অনী চন্নদুনা দ্রো তারবা মতুংদা কিক ফ্রোম পেনাল্টি কাওনদুনা মরি অহুমদা (৪–৩) মায়থিহৌদুনা সেমি ফাইনেল শান্নরগা ফাইনেল শান্নরম্বা য়াবগী মঙলান শম্নাদা নাম্থোকহৌবা রুশিয়া ওইজরবসু উৎখিবা পাঙথোকখিবা কয়া অমদি ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অমসুং রুশিয়া ফুটবোল য়ুনিয়নগী হিষ্ট্রিদা রেকোর্দ ওইনা লৈহৌরগদবা ঙাক্তনি।

কয়া অমা থেংনরেউনরে শংশংনা হকথেংননা পূম্নমক সিগী মতুংদা নৈন্নহৌগদবা খন্নহৌগদবা ৱাখল্লোন কয়া অমদি ফিফা ৱার্ল্ড কপ য়াওবা ফংলিবা লৈবাক ময়াম অমদা লোইননা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমহৌদবা লৈবাক কয়া অমদা পাওখোং ওইনা চন্দুনা থনম্লে হায়বা তারে। হেক্তা য়াদে গোল চনবা, হেক্তা ঙমহৌদে গোল চনখিদনবা হোৎনবা, অনীসি বোল শান্নবা হেক তম্বা হৌরকপদগী চনখিদনবা হোৎনবা পাম্বা শান্নরোইনা অমদি গোল চন্নবা হোৎনবা পাম্বা শান্নরোইনা অদুগা হেন্না মরু ওইবা অনীমকসিবু মতেং পাংবা শান্নরোই খুদিংনা তমদুনা খঙদুনা লাকখ্রবসু হেক্তদি য়াদে হায়বসিনি। নৈনবগী লোইবা নাইদবা খঙলবা কোচ ময়াম অমনসু হৈরবা খঙলবা শান্নরোইশিং অসিবু লাল্লোং কয়াগী কয়াৎ শেমদুনা মখল মখা কয়াগী লানবন শেমদুনা করম্না থিংগনি করম্না চঙশিনগনি হায়বা কয়া পানশিনলগা হোৎনরকপদা চুম্লগা মাই পাকপা চুমদবনা মাইথিহৌবা হায়বসিনি মচৎ অমা ওইনা থেংনরিবনি। চহী চুপ্পা তমদুনা ত্রেনিং তৌদুনা হোৎনবা য়াবা হোৎন্নরগা লাক্লবসু থেংনরকানদা ওন্ন–তৈন্নবা অমা হেক্তা থোরক্তুনা ঙম্নবা হোৎন্নবগী কুম্মৈসিনি ফুটবোল শান্নবা য়েংবগী নুংঙাইরিবসি।

ফুটবোলদা ঙাওজবা ইরমদম লমদম মণিপুররোমদা অমুক চীংশিনল্লকপদা ফুটবোল শান্নবদা থৱাই য়াওজবা ঙাওজবা শান্নরোইশিং ফুটবোল মশান্নগী মরমদা হেন্না খঙলবা তাকপী তম্বীরিবশিং ফজরবা ফুটবোল মশান্না অমা ওইনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবশিং অমদি ফুটবোলবু থৱাই হাপ্তুনা য়েংলিবা মীয়াম পূম্নমক্না হন্দক পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদগী পুন্না য়েংলকপদা খঙহৌবা তমহৌবা য়াবা কয়ানুংদগী ফুটবোল শান্নরোইশিংনা তম্বা হৌবদগী য়াম্না মরুওইবসি বোল কন্ট্রোল, পাসিং এক্যুরেসি, পাসিং স্পিদ, বোল পায়দবনা বোল পায়বদা কদাইদা লেপলগা করম্না মতেং পাঙগনি লোয়ননা ফিজি কেল্লি ফিট ওইবা, তাকপী তম্বীরিবা ও জাশিংনা মাগী মাগী শান্নরোইশিংদা হঞ্জিন–হঞ্জিন নৈনবা য়াবসিনা করম্বা মতাং মতম করম্বা মফমদা করম তৌনা গোল চনগনি, করম তৌনা গোল চলহন্দনবা লেপকনি হোৎনগনি হায়বসিনি। পোসেশন ফুটবোল হেন্না শান্নদুনা এটেক চঙবা ফিভমসিদা গোল চন্দনবা হোৎনরিবা মায়কৈদগী শান্নরোই ৯। ১০, অদুগা গোল চন্নবা হোৎনরিবা মায়কৈদগী শান্নরোই ৮। ৯ অমনে পুন্না শান্নরোই ১৯। ২০ না বোল কাওশিনগদৌরিবা মফমদা চগুংননা লেপশিন্দুনা অমদা অমুক পান অমদা অমুক থক্তোকপা য়াবগী এটেক খুৎতৌসিবুদি হেক ফংবগা পাস ৩। ৪ না য়াম্না থুবা মওংদা পেনেত্রেট তৌরগা গোল চন্নবা হোৎনবসিগা করম্বনা হেন্না খুদোংচাবা ফংই হায়বসিদা হন্দক উবা ফংলিবসিদগী হেন্না নৈনবা খন্নবিবা য়াবগী মতাং ওই। অদুগা অমুক খঙহৌদবা এটেক অমালাকপদা গোল কিপর অমদি মাইয়োক্নগদৌরিবা শান্নরোই (দিফেন্স) অমা নৎত্রগা অনীনা কদাই কদাইদা লেপহৌরগা শাফগদগে হায়বসিসু মখল মখা থোক্না নৈনবা মথৌ তাই।

বোল মশান্নবু হেন্না ফজবা মশান্না অমা ওইনবা হোৎনরিবা আরকিটেক সেন্টর রেফরি অমদি মতেং পাঙলিবা লাইন–মেনশিংনা মশান্নসি পাস অমদি বোদি কন্টেক য়াওদ্রবদি য়াদবনি খঙনা হেক য়ারিবমখৈ শান্নবা লেপহন্দনবা হোৎনবসিনা ফুটবোল শান্নরোইশিংদা অয়েংবশিংদা ফুটবোল মশান্নগী মগুন হেনগৎনবা হোৎনবা উখিবসি লমদমসিগী লম শোমদা কৎথোক্লবশিংনা নৈনবা খন্নবা লেপ্পা লৈতনা চঙশিনবা মথৌ তারি অদুগা অয়েংবশিংনসু রেফরিনা অদু খোংই অদা খোংদে হায়দুনা ফজবা ফুটবোল মশান্না মশক থিহন্নবা হোৎনদবা হায়বসিমসু লমদমসিগী ফুটবোল অয়েংবশিংনা খঙবিবা মতম ওইরে অদুগা লোয়ননা মশান্নসি হেন্না ফগৎনবা হোৎনরিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্নসু হেক ঙম্বা মখৈ য়ৈখাই থিনগাইবদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ কয়া থিদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবা তাই।

খঙমিন্নসিঃ– শোক ১৯৭৪ ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা কাওনরিবা বোলগী মমিং থোন্দুনা শিজিন্নবা হৌরকখি। ১৯৭৪ টেলষ্টার দ্যুরেলাষ্ট, ১৯৭৮–টেঙ্গো দ্যুরেলাষ্ট, টেঙ্গো ইস্পেনো, ১৯৮৬–অজটেকা, ১৯৯০–ইট্রুস্কো, ১৯৯৪–কুয়েষ্ট্রা, ১৯৯৮–ইনকোলোর, ২০০২–ফেভেরনোভা, ২০০৬–টিমগীষ্ট, ২০১০–জুবুলানি, ২০১৪– ব্রাজুকা, ২০১৮– অদিদাস টেলষ্টার।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী কম্পাউন্দ টিম আর্চরি ৱার্ল্ড কপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, কম্পাউন্দ মিক্স পেয়রনা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফ শান্নরগনি

*বর্লিন, জুলাই ২০ঃ*

জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা চখরিবা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী কম্পাউন্দ টিম ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। কম্পাউন্দ মিক্স পেয়র অভিসেক বর্ম অমসুং জ্যোথি সুরেখা ভেনামনা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফকীদমক লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিম ত্রিসা দেব, জ্যোথি সুরেখা ভেনাম অমসুং মুস্কান কিরারনা ঙসি লম্বা তৌনখিবা সেমি ফাইনেলদা টর্কিগী কম্পাউন্দ টিম্বু পোইন্ট ২৩১–২২৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ পেয়র অসিনা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী কম্পাউন্দ পেয়রবু শুপ্নগী পোইন্ট অমখক হেল্লগা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিম অসিনা মখোয়গী রেঙ্ক হেন্না ৱাংলিবা য়ুএসএগী কম্পাউন্দ টিম্বু পোইন্ট ২৩২–২২৮ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিম অসিনা থা অনীগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মিক্স টিম অভিসেক বর্ম অমসুং জ্যোথি সুরেখা ভেনামনা ঙসি লম্বা তৌনখিবা সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএগী পেয়র ক্রিস স্কাফ অমসুং পাইগে পিয়র্স গোরগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফকীদমক লৈহৌবনি।

নীংশিংবা য়াবদি জ্যোতি অমসুং ভেনামনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী পেয়রবু পোইন্ট ১৫৮–১৫৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর দিপিকা কুমারী অহুমশুবা রাউন্দদা জপানগী আর্চর কাৱানাকা কাওরিগী মখূত্তা পোইন্ট ০–৬ তা মায়থিহৌবদগী মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম দিপিকা কুমারী, অনকিতা ভাকাট অমসুং প্রোমিলা দাইমারি ক্বার্টর ফাইনেলদা কোরিয়াগী টিমগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌরে।

আর্চরি ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলসতা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী কম্পাউন্দ আর্চর অভিসেক বর্ম ঙসি পাঙথোকখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী আর্চর ৩৫শুবা সিদেদ অকবারালি কারাবায়েভকী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিদ্রে।

## ইন্দিয়ানা চহী ২১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা চাইনাগা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম্না চহী ২১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা চাইনাগা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৯ দা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপ অসিগী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম্না চহী অসিগী ওক্তোবর ৮ দগী ১৬ ফাওবা চাইনাদা চত্তুনা চহী ২১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনা মমাঙদা মেটচ ১৭ শান্নখ্রে। অদুবু অরোইবা মেটচ অদু কুমজা ১৯৯৭ দা কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা অরোইবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ ১৭ তা চাইনানা মেটচ ১২ মায় পাক্লগা মেটচ ৫ অমনা দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ৯৭ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অদুগা চাইনাগী টিম্না ফিফা রেঙ্কিংদা ৭৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোরকপদা চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা চাইনাগা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসি য়াম্না মরুওইরি। ইন্দিয়া অমসুং চাইনা অসি ফুটবোল মশান্না অসিদা লমজেল তান্নরিবা টিমশিংনি। মখা তানা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা মখোয়দগী থাক হেনবা টিমশিংগা শান্নবগী মথৌ তারি হায়নসু ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা মখা তাখি।

## কোটিফ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ঃ*

থা অসিগী ২৯ দগী স্পেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু–২০ কোটিফ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল স্কৱাদ লাওথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা কোটিফ টুর্নামেন্ট অসি শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা মফম অদুগী লোকেল ক্লবশিংগা জুলাই ২৩ অমসুং ২৫ দা শান্নগনি।

কোটিফ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচ ওইনা মুরিসিয়াগা জুলাই ২৯ দা শান্নগনি। জুলাই ৩০ দা মোরিটানিয়াগা, ওগষ্ট ৩ দা ভেনেজুয়েলাগা শান্নরবা মতুং অরোইবা মেটচ অদুনা আর্জেন্টিনাগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমগা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী স্কৱাদ লাওথোরকপা অসিদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৭না শরুক য়াগনি। মখোয়শিং অদুদি দিফেন্দরদা বোরিস সিংহনি অদুগা মিডফিল্ডরদা সুরেস সিংহ, নিংথোই মীতৈ, অমরজিৎ সিংহ, জেক্সন সিংহ অমসুং নোংদম্বা নাওরেমনি।

কোটিফ টুর্নামেন্ট অসিগীদমক ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম অসি স্পেনগীদমক জুলাই ২১ দা ন্যু দিল্লি থাদোক্কনি।

## থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোল সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টনদা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*সিঙ্গাপোর সিটি, জুলাই২০ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চখরিবা য়ুএস দোলর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



*সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোল*

২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চেন সু য়ুবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২৫–২৩, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলনা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা কাই য়ানিয়ানবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১৬, ২৪–২২ দা মায়থিবা পীরম্বী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই গাও ফাংজিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী সায়াকা টাকাহসি অমসুং চাইনাগী হান য়ু লম্বা তৌনরগনি।

৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী সায়াকা টাকাহসিনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই মিসাকি মিটানিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং ১২–২১, ২১–১৩, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা চাইনাগী হান য়ুনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী সুসান্টোবু ২১–১১, ১৯–২১, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেন অমসুং চাইনাগী কিয়াও বি লম্বা তৌনরগনি। অহানবা সিদেদ চৌনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী লিবু ২১–১৮, ২১–৬ তা থোইরমখি। অদুগা চাইনাগী কিয়াওনা মালেসিয়াগী চোংবু থোইরম্বনি।


অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী সু জেন হাও অমসুং ভিয়েটনামগী ঙুয়েন টিয়েন মিন লম্বা তৌনরগনি।

## ন্যুপোর্ট ওপন টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, লিয়েন্দর পেস ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

*ন্যুপোর্ট, জুলাই ২০ঃ*

য়ুএসএগী সিটি ন্যুপোর্টতা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ৬২৩,৭১০ গী শেলগী মনা লৈবা ন্যুপোর্ট ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই রামকুমার রামানাথন সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে। ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং য়ুএসএগী জেমী কেরেটানিগা পেয়র ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিদুনা লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কানাদাগী ভাসেক পোস্পিসিলবু পুং ১ গা মিনট ১৮ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবাঙমখি।



*সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রামকুমার রামানাথন*

মশাগী চহী ২৩ শুরবা ৱার্ল্ড নম্বর ১৬১ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ুএসএগী শান্নরোই টিম স্মিজেককা থেংনরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা অন্টালিয়া ওপনদা ৱার্ল্ড নম্বর ৮ তা লৈরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেসনা য়ুএসএগী জেমী সেরেটানিগা পেয়র ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরকপদা জিবন নেদুনচেজিয়ান অমসুং ওষ্টিন ক্রেজিজেককী পেয়রনা ৬–৩, ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরম্বদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

ন্যুপোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং মহাক্কী পার্টনর জেক্সন ৱিথ্রোবু ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথ্যু ইবদেন অমসুং য়ুক্রেনগী সর্গি ষ্টৈখোভস্কিনা ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং বৃটেনগী কেন স্কুপস্কি য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা অর্টেম অমসুং জনাথননা ৪–৬, ৬–৩, ১০–৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।